"ঙসিতা খঙলে ইমা, নঙনা ঐগী পলেমনি,
মালেমগী ইতিহাসতা ইদুনা লৈরম্লে ইমা নঙগী ৱারী।"
- *অরাম্বম সমরেন্দ্র*

## অসিগুম্বা নুমিৎ অমদা

খরনা য়াম্থরি মোংফম ফুরাশিংগী মথক্তা,
খরনা কপ্লি অহাঙবা কাশিংদা,
ঐ, কোন্বীরৈনা লৈশাৎ তল্লকপদা,
নীংশীংলি।
ঐ, সিল্লামেন কৌবী মহাক্লা
য়েনিং হুল্লকপদা অমুক,
নুংঙাইরুই মীকুপ খরা - অদুদগী
নীংশীংলি।

Mary E. Coleridge গী On Such A Day
**হায়বা শৈরেংদু মণিপুরীদা শ্রীভক্তনা হন্দোকপা।**

## তাইবঙ শিন্থা

**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

য়েংঙুনে মাঙদা উরিবা পোইনু লৌবুকসে
মতু মমাল ইকোক কোল্লিবসে
নঙনদি উরগা খোয়রাং খোয়শাউনরিবা
চৈ থাঙখিবা লৌমী মখোয়দা,
খঙসু খঙলম্লোই নহাক্তি অশেংবা
উবু উদবরা চরুখোক ময়ামসে
অঙাং উন্নবা কুইখিদ্রিবা মমাগুম্বনিনে
মীওইবা কয়াগী মবুক পেন্না থাকখ্রবা;
অথাপ্পদা পরেং পরেং লাল্লিবা
নুংশানা কাহৎলবা মায়থোঙ পুরদুনা
মখোয়না হোৎনজখিবনি মপুম থিৎনা
ইঙা ইঙেনগী নোংজু মরক্তুদা,
তিনফা কাকফৈনা চীকখিবগী মমিনি
তারিবদো মখোয়গী মখুবোমশিংদা
মক্তুবা হুমাংমলনা তাল্লগা চাজবা
লৌমীনিনে লৌমী মীওইলক্তগী অথোইবা;
নহাক্তি শেগাদা য়েপ্লদুনা চেখাউ
লাল্লি অনৌবা চহী ওকপগী নামাদা
থকতোকপা, চাথোকপা, নুংঙাইথোকপা
নপাবুংনা পৈদুনা থম্বীরম্বা মরলদুনা,
নশাদি থরোই অহাম্বা হেক ওইরদনা
কুইরোইনে লোইখিনিনে অদুম্না তৌরবদি
হয়েংদা ঙাইশিল্লক্লে চাক্লি ফিনিগদবা
লায়র তানবগী চখরিবা থৌওংদুনা;
লৌমী মখোয়দি মশক্তবু ৱাৎচবনি
মথম্মোয়দি ফুদোংলবা সনা ঙমজবনি
শেংখ্রবা থোৎখ্রবা নৌখ্রবা চাউখ্রবা,
পুকচেল শেংনা তানশিঞ্জরিবা মরলসে
অরেম্বা লম্বীদা খক চৎলরোইদবনি
শারক্কনি ফুরা-দলান মথং-মথং
শেমখিগনি মী ওইননবা চারোল-শুরোল
শুনিংদবা নঙবুসু নোংমদি য়োল্লগা চাখিনি;
অনৌবা কুমজানা লাকপগা ইরোইননা
মীকপ থোল্লসি কংলৈচাশিং পূন্নমক
তূম্বা হেনমনখ্রে, পোত্থাবা হাকমনখ্রে
শুরসি চৎলসি, তাইবঙ শিন্থা পাঙলসি
থবক শুবদা চিলহাও থিবা তোল্লসি
ইশা-ইশাগী ইহৈনা লননি লেঙদবা
মৈনসু চাল্লরোইদবা, ঈশিংনসু থুমহৎলরোইদবা
শিনপাংলসি মান্নবা খুন্নাই 'মা লিংননবা।

## শিন্নী

**—রোমি তখেল্লম্বম**

শিন্নীনি ঐগী পুন্সিদি,
মহৌশাগী লৈকোলদা,
পুন্সিরোলনি...
কনাগীসু মখা পোন্দ্রবা!
হুমাং তানা শুজবা,
পেন্থোকপনা ইথৌদাং,
ইনিং তম্না শীনপাংজগে,
মহৌশাগী তম্পাক্তা!
পুনবীগনু - মেনবিগনু ...
ঐগী চীন, ইখোঙ-ইখুৎ,
কনাগী মখা পোন্দ্রবা...
ঐগী পুন্সিরোলদা!
শান্নজগে মরুপ ...
উচেকশিংগা নুংশিননা,
ফাউনজগে মালংবগা...
পূক্লিং ইহুল পেঞ্জনা,
ইনীং তম্না শান্নজগে...
মহৌশাগী তম্পাক্তা!
নুংশিনা শকচগে...
পলেমগী ঈশৈ কাউঙমদবা,
চীংয়া-তময়া...
লৌবুক-লম্মাং, তাংথক নাইনা,
নিনখ্রসনু অহাঙবা মালংদা...
নুংশিবগী ঈশৈ!
য়েংজসনু ... তাজসনু ...
ঊচান পাম্বীশিংনা কেজনা,
শক্লা শোন্নজহৌনবা...
মখোয়গী পুন্সিরোলনসু,
ঐদি শিন্নীনি ...
মহৌশাগী তম্পাক্তা নীং তম্বগী!

## জননি সিতা

**—খাইদেম বোরসিংহ**

ইমা নঙগী
সতিত্বগী অরোন অথুপ
অগ্নি পরিক্ষাদা খঙনখ্রবনি।
নঙদি দেবীনি, মহা দেবী
শায়ন লোইরদুনা নহাক্কী
মা পৃথিমাতাগী গর্ভনুংদা
চঙজখিবনি।
নঙনা তাকপীরম্মী -
নুপী ওইবীশিংদি
অঙৌবা চেবাং পাংখক্লি;
মায়কৈ মরিদগী য়েংলকপা
করাকারগী মনুংদসু হিংলিবনি।
জানকি নন্দিনি - নহাক্লা
প্রভু শ্রীরামগী 'মি' ওইদুনা
অলহঙ্কার রাবনগী মাঙহল্লি।
নুপীজা ওইবীশিংদা

মিৎয়েং কারন চনবদি
অমর খুভম ওইরবসু
কুন্তি পাপ নরক্তা তাগনি।
নিংথৌকোনসু নাইকোনসু
সহধর্ম্মীনিগী স্বর্গনি,
নঙনা তাকপীবা অন্তরজ্ঞানশিং
মৈরা ওইহৌরে বিশ্বজগৎতা।

## কোভিদ ছুটি

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

থা অমা থাখিবা ছুটি
কালেন ছুটি,
শাংলে খনখি।
য়াওশঙ মঙানি,
দুর্গা পুজা
অতৈ অতৈ ছুটিশিং
ময়াম অসিদগী হেন্দোকখ্রবা
শাংলবা ছুটি অমা
কোভি-১৯,
থেংনরে মপোক অসিদা
কোভিদ-১৯
হায়না মিংথোনবা
ছুটি অমা।
লায়র, ইনাকখুনবা খায়দবা
মালেম ইমাগী খুদোলনি
কোভিদ-১৯গী ছুটি অসে।

## পুন্সি ঈপাক ঈরৈদা

**—অথোকপম তোম্বা**

পুন্সি ঈপাক ঈরৈদা
অপাম লাংদা থুবদা
হিংবগী মহাউ খঙদরে।
কনানা ঐগীনো
ঐগীনা কনানো
পুন্সি ঈপাক ঈরৈদা।
শিরগা লোম্বা ঙাক্তনি
বসন্ত ঋতু চৎখ্রে
ওলাংথা অমুক চঙলক্লে।
মতমদি পনবা লৈত্রিদো
লনসু কাওশিংনি
পাঙ্গলসু ময়েং তাখিনি।
পুন্সিনা থম্নাথক্কী লাইজনি
পুন্সি ঈপাক ঈরৈদা
লমফাং য়াম্বা তাইবঙনি।
হে মীওইবা
নঙগী থৌজাল মৈরিদা
শিবতবু ঙাইরিবা মীওইবা।
অচুম্বা শাবগী মায়খুম মরুমদা
অঙম-অথৌ ওইরিবশিং
কয়াম তুংকোইবা য়াগনি।
ঙসিদি হৌখ্রে, হয়েংদি কমদৌবা
হিংলিঙৈদা অফবা খরদি তৌরমউ
তুংগী মীরোলনা শৈথাহৌনবা।

## তেংথাখোল

**—টি সঞ্জয় অমসুং টি রোকি**

তাবীনবা লৈজখিদবা
তনিক তনিকপা
থম্মোয়গী পাউদমখোলদো
কনাদসু খঙহঞ্জদা
লোম্থোক্তবগুম ... খাঙজখি শাংলবা মতমদো
লোম্থোক্তবগুম।
তপ্লি তপ্লি মুৎলক্লে...
থম্মোয়গী অকলা নুংদৈ
তেংথা
মীৎলুগী পিরাংশিংদো
'থম্মোয়নুংদগী'।

## নুংশি শৈরোল

**—তবানু খুরাইজম**

কোরৌনা নারল ৱাইদ্রিফাও
ফমদুনা লৈনীংই ননাক্তা
লৈচু হেল্লবী লৈরাংগী
লৈনা অমত্তা চোইদনা
ইনিংই পূক্লিংগী ৱারীশিং
ৱাখল ইচিক থেম্নবা।
মায়থোঙ থাজদা তারিবা
অমুবা মচুগী ময়িনা
পূক্লিংনা খোইদাদে হায়রিব্রা
থানিল মপূং ফাদ্রি তাক্লিব্রা
পূক্লিংসে খোইরাং খোইরাংঙি।
করম্বা ৱাহৈগী লংলানা পুন্দুনা
লৈরাংগী নাচোম শেমসিগে
ৱাখলগী মংলান মঙলিঙৈ
তূম্বা চাবা খঙদরে।
নিংঙোল মোংবা নরানয়াই
কোরৌ খুদিং খোঙদারকপা
নুংশিবা কৌবা মহাক্তগী
ময়িবু লাকত্রিব্রা লৈকালক্তা
য়েংনীংই নিংথিবী মায়থোঙ
হৌনীংই থৱায়না লৈরিঙৈ
নিংঙোল পূক্লিং লৈকোন্দা
লেঙদ্রবা পামেল ওইদুনা।

## ফাগিরোই

**—নোংমাইথেম বেবেকা**

পুন্সি খোঙচৎ অসিদা
মহাক্লা লৌরিবা থৌদাংদি
শীংতাদুনা লোইবা নাইররোই
চিনবান্দা মোমোন নোকহল্লবসু
নুংদা ৱাখল খলহল্লি
অঙকপা মগুননি মহাক্কী
পীথোরকপা হায়বদু য়াওদ্রবদি
তমদুনা হৈয়ু য়াদ্রবা
তৌশিন্নবা য়াদ্রবা শিনফমনি
মহাক্লা কপ্পদা নোক্লিংই
মহাক্লা শাওবদা নোকশিনবী
অদুবু মসিমদি খঙবীসি
মহাক্কীসু লৈজৈ তোপ তোপ্পা
অৱা-নুংঙাইগী পুন্সি।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# অরীবা পোৎলমশিং লীরিবা ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রগী য়ূমগী মিউজিয়ম



শীজিন্নখিবা পোৎলম চৈরমশিং য়ারক্তবা, মন্থরকপদা ৱাই চিল্লি, কান্নদবনি হায়না লংথোক্কনবা মরুপ-মপাংশিং লৈরি। কান্নদ্রবনি হায়দুনা অরীবা পোৎ-চৈশিংবু থৌওইনদে। কনাগুম্বা খরদি অহল-লমনশিংনা শীজিন্নরম্বা পোৎচৈশিং মশা লৈখিদবগা মৈ থাদোকপা ইমুং-মনুংসু থেংনখি। য়ুমলক্তা, মীতোপ ময়াংনা একাগড়ি তোংদুনা লাক্লগা খবর অমনবা, লাইরিক অমনবা লৈব্রা হায়দুনা হংবা লাকপা, মখোয়না মীগী য়ুমদগী খবর, লাইরিক অমনবা কে জি ওল্লগা লৈরকপদা কান্নবা লাইরিক য়াওরম্বদগী ঐনা অমুক মখোয়দগী লৈহৌবা য়াওখি। য়োৎতেক থাংতেক হংবা লাকপশিংগী গড়িদা ঐনা থিরিবা থাংজৌ অমনবা, মৈরৌ চেগপ কনাগুম্বনা পীথোকলকপা য়াওরমদুনা মখোয়দগী পৈশা পীরগা লৌশিলহৌখিবসু লৈখি। পোৎ অমনবনি, লাইরিক অমনবনি হায়দুনা য়োম্থোক্কনবা ইমুং লৈরি। মখোয়দা অরীবা পোৎ লীবগী হৈনবী থম্বা, অরীবা পোৎ-চৈশিংগী মমলসি খঙবা ৱাৎলি। অসিগুম্বা মওংসি ঐখোয়গী খুন্নাইদা য়াম্না তোয়না থেংনৈ।

মসিনা লংলা ওইরগা অরীবা পোৎ-চৈ লীদুনা থম্বগী কান্নবা অমদি মসিগী মমল হায়বসিদা ৱারেং অসি ইনীংখি। অমনবা পোৎ,অরীবা পোৎচৈশিং করম্না লীদুনা থমগদগে হায়বসি প্রির্জবভেসন অমদি ডোকুমেন্টেসন তৌরিবা থৌওইনা লম অসিদা চঙশিল্লিবা মীওই নত্তনা মীচমশিংনদি খঙবা ৱাৎনৈ। প্রির্জবভেসন অমদি ডোক্যুমেন্টেসন,অরীবা পোৎলমশিং লীবগী ৱাখল্লোন লৈতবদগী মমল য়াম্লবা পোৎ চৈ কয়া অরেম্বদা মাঙহনখিবা য়াওরিবনি। মসি থোক্তনবা মীপূম খূদিংমক অরীবা পোৎ-চৈশিংগী কান্নবা অসি খঙমিন্নবা মথৌ তারক্লি। অরীবা পোৎ হায়বসি অকক্লবা পোৎশক অমখক্তদা লৈবা নত্তে। মীওইবগী পূন্সিগা মরী লৈনরকপা,হিংবদা চঙখিবা, তেঙবানবগা মরী লৈনরকপা, খুম্থোকলকপগা মরী লৈনবা পোৎলমশিংদসু য়াওই। পোৎ খূদিংমক অমনবা ওইরগসু অরীবা ওইরগসু চন্নফম লৈ, মমল লৈ।

ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র, পিপলস মিউজিয়ম ককচিংগী মপূনি। মহাক্কী পিপলস মিউজিয়মদা হাইফেৎ অরীবা পোৎচৈ মখল কয়া উবা ফংই। হৌখিবা চহী খরগী মমাংদা মশামক্কী য়ূমদা অনৌবা মিউজিয়ম অমা হাংদুনা অরীবা পোৎলমশিং খক্তগী ওইনা লীদুনা থল্লি। মশাগী য়ূমদা হাংলিবসিগা হান্নগী মশাগী অহানবা লৈখিবা মিউজিয়মগী মশক অদুগা খেন্নরে। য়ূমদা হাংলিবসিনা লী ৱাগী পোৎথোক খক্তা লীদুনা থম্বনি। খঙদবা কনা অমনা থুমোক, সংবাই অমনবা, শুক শুম্বল অমনবা খুনবা মীশক অমগুম মহাকপু উরমগনি। ঙসি ওঝা গৌরচন্দ্রনা খূল্লিবা পোৎলমশিং অসি লেম্না নত্তে, পৈশাগা খুৎশিন্নবনি, লুপাগা ওন্নবনি। য়াম্বা য়ামদবা অঙম্বা শেন্থং খরা মহাক্লা পাম্লিবা, খোমজিল্লিবা পোৎশক অদুগী মপুদা কৎচরগা মীওইবা খুন্নাইগী অমদি তুংদা হৌরক্লিবা চারোল শূররোলশিংনা খঙহৌনবা লীদুনা থমজিনজবনি। অমনবা,অরীবা পোৎলমশিং অসি কৈথেন্দগী ফংবা নত্তে। মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদগীনি। নোংমদা ফংবসু নত্তে। ৱারী লীখুন, খঙন-চান্নবা মরুপ মপাং, পাউ থাদুনা, ঙাঙনরক্লগা লৈরুগদৌরিবনি। লৌরুগদৌরবা অসিসু খুৎতা লুপা চবুন চবুন পায়রগা লৈরুগদবা ওইদ্রি। অপাম্বা পোৎ ফংনবা হোৎনবদা মশাগী য়ুম নোং য়ুবা শেমজিন্দনা, শেৎনবা ফুরিৎ ফিরোল লৈরুদনা অমনবা অরীবা পোৎ অমা লৈরে তাবদা চৎলগা লৈরুগদৌরিবনি। ইমুং মনুংগী থবক্তদি করিমত্তা য়াওবা ঙমদ্রবনিনা কান্নদবা অমনবা পোৎ খুনবা মীশক অমা ওইনা মী অয়াম্বনা উন্নরিবনি। ওঝা গৌরচন্দ্রগী মতেং পাংনবা মী লৈতে। অদুবু ঐনা নক্লা অসুম লোইনজবদগী খঙজবা, উজবা অমখক্তি লৈরি। মচা ইবেম্মা লৈশাবী, ময়াংলম্বম মেরিনা অসি ওঝাগী মতেং পাংনবা তাহবং মপুনা থাবীরক্লবনি। পিবা পোকপবুদি নিংঙোল অমখক অসিনা হেন্না মতেং পাংলি। মচানুপী লৈশাবীসিনা, মচা নুপাসু ওই, মচা নুপীসু ওই, ওঝনা খোমজিন তাশিঞ্জরিবা লী-ৱাগী পোৎথোকশিং অসিগী শেম শাবা, শেন্নবা পূন্নমক মহাক্লা থৌদাং লৌরি। মচানুপী ময়াংলম্বম মেরিনা অসিমক লৈরমদ্রগদি ওঝা গৌরচন্দ্রনা হোৎনজরিবা ময়ামসে অচৌবা অৱাবা অমা ওইরমগনি।

ঐনা য়াম্না নুংঙাইজখিবা অমখক্তি - ওঝাগী য়ূমদা অরীবা পোৎলমশিং য়েংবা, হংবা লাকপা মীসি ফনা য়ামলম্লগনি। মীগী মখলসু শুরম্লগনি। মণিপুরগী মপান লমদগী লাকপা মীনা ককচিং চৎপা তারবদি ওঝা ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রগী য়ুমদা চঙলমদবা য়াওরম্লোই। ময়ামসিগী ওকথোক-ওকশিন তৌবদা পীক্লিবী মশু নুপী চহী তারা শুদ্রিবী ফাওবা মীকৌ মীরম চঙখোন্না মীবু ওকপা হৈরি। টেলেফোনদা করিগুম্বা ওঝা গৌরচন্দ্রগী ইমুং মনুংদা ৱা হংবসি ইশু নুপী পীকখ্রবসিনা নীংথিজনা ওক্তুনা কনা পাম্বীবনো করি হায়বীগদবনো হায়না খুম্বা হৈরি। ওঝাগী য়ূমদা মী অমফাওবা লৈতবা মতমদা মহাক্লা ঙাক শেল্লি।

নোংমা ময়াংলম্বম মেরিনা, ওঝা গৌরচন্দ্রগী মচা ইবেম্মা অসিনা থৱায় শোক্লা হায়খিবা অমা নীংশিংলি- ঐগী ইপা অসিনা চাগনি থক্কনি খঙদা মখৈ চীংদা মান্দা কোইনা চৎলুরগা অরীবা পোৎচৈশিং খোমজিল্লি। অহল অসিনা তৌজরিবশিং, হোৎনজরিবশিং অসি খঙবীদনা কনাগুম্বনা করেম্নবীবা নোক্লবীবগী মতৌ উৎলকপা য়াওরকখি। মদুদা মহাক্লা খা চিক্লা খাঙখিবা শীংনখিবা নুংঙাইজখিদবগী পাউ তমখি। অসিগুম্বা ৱাফমসি লাকপা মতমদা ৱাহং কয়া মখোয়গী মথক্তা হংনিংলকই। ঙসি ওঝা গৌরচন্দ্রনা খোমজিন তাশিল্লিবা ময়াম অসি মহাক মথন্তগী কান্নবা ফংবগী নত্তে। মণিপুরী খুন্নাই অসিগী নাৎকী মশক তাক্তুনা নাৎকী অমদি পোৎলমশিংগী ৱারী লীরিবা মীশক্লি। মহাক্লা লৌরিবা থৌদাং অসি, মী অমনা পাক হেক ঙম্লরোইদবা অমনি। মীঙোন্দা নোল্লুকপা উৎপা হৈতবা, মীনা করিগুম্বা অফবা চাউখৎনবা থবক অমা তৌরকপদা মীগী হোৎনজবগী মমল খঙদনা হুন্দুনা ঙাঙবা হায়বসি ফিদম্নফম লৈজদবা মীনা তৌগল্লি। মখোয়গী ৱাফমদা ঐখোয়না পূক্লিং শোন্থগদবা নত্তে হায়বসি ঐনা অমুক খহঞ্জনিংঙি।

ওঝা গৌরচন্দ্রা মশাসি অরীববু য়োকখৎচরিবা অহীংবা মীশক্লি। ককচীংগী মী অয়াম্বা ইম্ফালদা লাক্লগা ইম্ফালগী মতৌ তমদুনা লোল শেম্লগা ঙাঙঙি। ওঝা গৌরচন্দ্র অমদি মহাক্কী মচানুপী মেরিনাদি ককচীং লোলবু নুংশিনা খোইনা অদুমক ঙাঙলি। ইম্ফালদা লাকপদা ককচিংগী লোল শেমদোক্তে। ইম্ফাল মচাগা ৱারী শাবদা ককচীং লোলদা অদুম ঙাঙলি। মসি অশেংবা মশাগী নাৎ নুংশিজবা অমদি কঞ্জরিবা মী অমগী অশেংবা অচুম্বা ৱাখল্লোলনি। মসিদগী ঐখোয়না তম্নিংঙাই য়াম্না লৈরি। ওঝা গৌরচন্দ্রগা নক্লা লোয়নজবদগী মতম অমা ঙাঙনরম্বা ঙসিদি মাঙশিনখ্রবা মৈতৈলোলগী ৱাহৈ ৱাতা, পোৎকী মমিং কয়া ফাওবা ঐখোয়না ওঝাদগী খঙজবা ঙম্মী। ওঝা ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রদি মিউজিয়ম লীংখৎপা খক্তা নত্তে, মমল য়াম্লবা লাইরিক খরসু য়াম্না তাঙনা ফোংদোকপিদুনা ঐখোয়দা ফংহল্লি। খুল্লং ঈশৈ, ফৌশু ঈশৈ,অহোং ঈশৈ কয়াবুসু মাঙখিদনবা কন্না হোৎনরিবা মীশক অমসু ওইরি। ওঝাগী ইচানুপী মেরিনাবু ফোকশোং শকপা তমহল্লি। অরীবা ঈশৈগী মরমদা খোঙ্গুল লীদুনা থিজিনহল্লি। অসিগুম্বা মরুওইখ্রবা মীশক অমা ককচীং মাইকৈদা পনঙাকপা ওইনা ওঝাগী ইমুংনা লৈবীরিবসি ককচীংখক্কী নত্তে মণিপুর পুম্বগী ওঝানা মমল য়াম্লবা নাৎকী লন-থুম ঙাক শেনবীবনি। ওঝাদি চীংমীগসু মরুপ ওই। চীংমী মরুপ কয়াগসু লোয়নরি। অহীংবা কোয়না চৎপা ওঝা গৌরচন্দ্রা মশামক মিউজিয়ম্নি। ওঝাগী মতৌ তমদুনা অরীবা পোৎলমশিংগী কান্নবা মমল খঙনা ঐখোয়না ঐখোয়গী পোৎশিং লীদুনা থম্বা ঙম্লগদি, মীরম্না মতৌ তম্নবা লমদম অমা ওইগনি।

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৮০

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

নুপামচা অদুসু পেন্না নোক্লকই। বলরামসিংহনা হায়, "জ্ঞান তাবা মী শিগনি।"

কোলেজদা হরাউ-নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী খোঞ্জেল তারকই। কনাগুম্বা অমনা হায়, "হায়বিয়ু সিয়াৱর রামচন্দ্রগী জয়!"

জয় হায়না লাউবগী মতাংদা হিন্দস্তানিশিংগা কনানা চাংদম্নবা ঙমগনি! ৱাফম অদু সিয়াৱর রামচনদ্রদগী হৌখিবনি, অদুগা পৱনসুট হনুমানগী জয়। অদুগা জ্ঞান তাদে মতৌ করম্না জয়-জয় হায়না লাউরিবদু ইখঙ খঙহৌদনা মহাত্মা গান্ধীদা খোঞ্জেল অদু লেপখিরম্মী :

'হায়বিয়ু, মহাত্মা গান্ধীগী জয়!' অদুগা ঙাইহাক লৈরগা য়ানবা পুরকখ্রবা মাল্লি। পন্দিট জ ৱাহরলাল নেহরুবুসু জয়গী খোল্লাউ অমা পীখিরম্মী। অদুগা জয়গী খোল্লাউ অমমমসু লোকেল নেটাশিংগী মিংদসু লাউখি। লোয়ননা জয়গী খোল্লাউ অমমমসু দিষ্ট্রিক্টকী নেটাশিংগী মিংদসু লাউখি অদুগা অশেংবা জয়গী খোল্লাউ অমা ওইনা 'হায়বিয়ু, ৱেদ্য মহারাজগী জয়!'

অমোৎপা ওক অমগী মতৌগুম খেং-খেং লাউনা প্রিন্সিপাল সাহব অদু বিল্ডিং অদুগী মপান্দা থোরকই। অদুগা অমুক হন্না কন্না হায়, 'হায়বিয়ু ৱেদ্য মহারাজগী ....।'

'জয়' হায়না লাউনবগীদমক হৌরক্লিবা মীরোলশিং অদুসু মপান্দা লেপ্তুনা লৈরম্মী।

মেলা অমগী মতৌগুম ওইখ্রে। প্রিন্সিপাল সাহবনা রঙ্গনাথতা জ্ঞান তানবা হায়রম্মী, "য়াম্না ফরে, ৱেদ্য মহারাজ অমুক হন্না মীয়াম পূন্নমক্লা য়ানদুনা মেনেজর ওইনা খল্লে। হৌজিক য়েংবিয়ু, কোলেজ অসি মতৌ করম্না চাওখৎলক্লে হায়বদু। নোংলৈ নুংশিৎকী খোঙজেলগুম য়াঙনা চৎকনি।" মহাক য়াম্না হরাউরম্মী, মহাক্কী মমায় ঙাশং ঙাঙলম্মী।

পিক্তু শাফবনা হায়, "হে প্রিন্সিপাল য়াম্না লাউ খোংদনা তৌগনু। ঐগী ৱাফম অমসু তাউ। নুপামচাশিংগী মখুৎনা হোকি ষ্টিক পায়দুনা কোয়চৎ চৎতুনা লৈরিবা অসিদা মখোয়দা বোল অমমম পীয়ু অদুগা হায়য়ু খুৎ চুম্নবগী থবক খরসু তৌ হায়না। মখোয়শিং অসিগী মরক্তা চৈনা বোলদা কনবা ঙম্বা অমত্তা য়াওরম্লোই। পুন্নমক উফুল মরক্তা লিন্দুনা কোয়চৎ চেন্দুনা লৈবনি।"

"শোয়দনা হায়গে মেম্বর সাহব। শান্নবসু শিনগনি। হান্না লৈরম্বদগী পুন্নমক্তা অহোংবা কয়া লাক্লগনি ...।"

পিক্তু শাফবনা হায়, 'হোয়নে, অহোংবা কয়াদি লাকখ্রে, অদুবু ঐনা হায়নিংলিবসি হায়রকখিগে। মী অমনা ৱা ঙাঙলকপদা চুম্মী হায়বগী হৈনবী অমা নঙোন্দা লৈ, অদুবু নঙগী লৌবুক্তগী ফোয়দতুনা হুন্দোক্লবা মুলি ফাওবা অমুক হন্না ফুক্তোক্লবা হোৎনবা অৱাবা অমা ওই। মসিদি শান্ন-খোৎনবগী ৱানি। নুপামচাশিং অসি শুপ্পগী হোকি ষ্টিক খক পায়দুনা কোয়চেন চৎতুনা লৈ। ঙসি করিগুম্বা শান্নবগী মথৌ তারক্লবদি মখোয়গী হোকি ষ্টিকশিং অসি নুংশিৎতা হায়দুনা লৈরগনি। কনাগুম্বা অমগী মখ্বাংদা ফুনবা হোৎনবদা মশাগী মখোংদা ওইনা কনশিনজৈ। তাঞ্জা ফংবদা পালহন্নিংবা মফমদা ফুবা ঙম্নবা হোৎনবা ফৈ।"

ৱেদ্যজিনা তুংলোমদগী হায়রকই, "শান্ন-খোৎনবগীসু য়াম্না মথৌ তাই প্রিন্সিপাল সাহব! পিক্তুগী ৱাফম অরানবা নত্তে।"

"হা..হা..." প্রিন্সিপাল সাহবনা শাফবগী হকচাংদা নুংশিবি নুপী অমদা য়েংবগুম্না য়েংলদুনা হায়, "শাফবসু ফাগী য়াম্না হৈ! মসিদা কনানা অরানবা ৱা হায়গদৌরিবনো।"

"য়াম্না লিরবা ৱারীনি। নৱাব সাহব অমা লৈরম্মী। মহাক্কী রাজকুমার অমা লৈরম্মী।"

"নখোয়না পঞ্চায়ট অমদি কোর্টকী ৱারী শান্নরম্মি। মদুদা ঐনা ৱারী অমা নীংশিংলকই। য়াম্না ফরবনি পিক্তু শাফবনা সরপঞ্চতা মফম অদুদা তেমশিংনদুনা হায়খিবদু। পঞ্চায়ট-কোর্টকী ৱায়েল পিক্তু শাফবা হোয়গুম্বদা করি কান্নগনি। মহাক্তি য়াম্না অচৌবা মীওইনি। য়াম্না মমিং লৈবা শাফবনি! লোয়ননা মহাক ঐখোয়গী কোলেজগী কম্মিটিগী মেম্বর অমসুনি। মফম অদুগী ৱায়েলদি খুঙ্গংগী ওইবা ৱায়েলনি। তোঙানবা কৌরিল্লাগুম্বা মখলগী ৱায়েলনি। হা...হা... হা... কৌরিল্লা হায়সে খঙব্রা? লৈকংদা হৌবনি। অশাবা মতমদা উরম্বা য়াই নখোয়না, মদু অঙৌ-অঙৌবা লৈ শাৎপনি। অদুবু নঙদি সিটিদা লৈবা মীনি, নঙনদি কদাইদা উরমগনি! অদু ওইরবদি পাঙথোক্লিবা পঞ্চায়ট-কোর্টকী ৱায়েল পুন্নমক অসি কৌরিল্লা ৱায়েল ঙাক্তা তৌরবরা অদুগা সরপঞ্চনা কমদৌবা? পুন্নমক্তা অসিগুম্বা জ্ঞান-মেন তাদবা ৱা অদুমক ঙাঙবরা? হন্দক্তি পিক্তু শাফবগী মখুৎতা তাখ্রে। মদুদা মহাক তুমিন্না লৈখিবনি। কৈ অমা লৈরম্বদু মঙোন্দগী হেন্না কনবা কৈ অমা থেংনখ্রে।"

"কুসহরপ্রসাদপু ঐনা মমাংদা য়াম্না হায়বিরম্বনি মদুদি পঞ্চায়ট-কোর্টতা চৎকনু হায়না। অদুবু মনা তাখিদবনি। হৌজিক্তা খঙলম্লগনি। সরপঞ্চনা ৱা অমা-অনী হায়রকপদা তুমিন্না লৈখ্রিবদুনি। পিক্তুগসু মফম অদুদা অদুমক য়ানখ্রবনি।"

"ফনদুম ফরেদা। মপা-মচাগী খৎনববু খৎনবা চিংগদ্রা?"

"অদু ওইরবদি মহাক্কী রাজকুমার (নিংথৌমচা) অমা লৈরম্মী। নৱাব সাহবকী। হোয়, হোয়, ৱারী অদু মখা তানা লিরক্লে। নোংমা উপায় লৈজদ্রবা অদু য়াম্না কন্না নারম্মী। লাইহৌ হৌরম্মী, ফবা কৌবা লৈরমদে। থা অমা ফাজিনখ্রে। অতাং-অতাংবা হীদাক কয়া থাখি। মাইবা-মাইবী, দোক্টর পুন্নমক ৱানরম্মী। লুপা ক্রোর হেন্না কান্নদবিদা মাঙখি। অদুবু নিংথৌমচা অদু ফবা কৌবা লৈতে।"

"নৱাব সাহব মশা মথন্তা ৱাজরম্মী। মায়কৈ মরিদা মহাক্লা লাউথোক্লম্মী মদুদি লন-থুম তঞ্খাই অমা লৌরো, রাজকুমারিগসু লুহোংলো অদুগা উপাই অমা তৌদুনা অনাবা ফহল্লো। মতম অদুদা অফাও-অফাওবা অথাপ্পা মফমদগী মাইবা কয়া লাক্লম্মী। য়াম্না কন্না হোৎনখি অদুবু নিংথৌমচা অদু মমিৎ ফাওবা পাংহনবা ঙমখিদে।"

"কাইনথংদা অহল ওইরবা মাইবা নুপা অমা লাকই। নিংথৌমচা অদুবু য়েংদুনা হায়, 'ইনিংথৌ, লন-থুম তঞ্খায় অমসুং ইনিংথৌ নচানুপী পীবা খক্লা য়ারোই। ঐহাক্তি নুংঙাই-য়াইফনা লৈবসু পামদে। ঐগীদি শুপ্পগী ৱাফম অমখক য়াবিয়ু। মদু ওইরবদি রাজকুমার অসি ফহনবগী থৌদাং ঐনা লৌগনি। ঐনা হায়নিংলিবা ৱাফম অসি হায়দোক্লবা তাঞ্জা পীবিয়ু।"

"দরবার অদুদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক থোকহনখ্রবা মতুংদা অহল ওইরবা মাইবা অদুনা হায়, ইনিংথৌ, হৌজিক বেগম সাহিবাবু ঐগী মাংদা থোকহল্লক্তুনা ৱারী শান্নহনবিয়ু অদুগা মঙোন্দা ৱাহং অমা হংসি, মহাক ৱাহং অদুগী পাউখুম চুম্না পীগদবনি।"

"নৱাব সাহবসু মফম অদুদগী মপান থোকখ্রে। বেগম সাহিবা মাইবা অদুগী মাংদা লেপ্পরে। মাইবা অদুনা মঙোন্দা য়াম্না মুন্না অকনবা মীৎয়েং অমদা য়েংলম্মি অদুগা হায়, 'বেগম সাহিবা করিগুম্বা রাজকুমারগী থৱায় কনবা পাম্লবদি তশেং-তশেংনা হায়বিয়ু, রাজকুমার অসি কনাগী মচানো?"

"বেগম সাহিবা মমিৎতা মপি তারকই অদুগা হায়রকই, অদোম ৱাফম অসি কনা অমত্তদা হায়দোকপীগনু। অশেংবা ৱাফমদি নিংথৌমচা অসি কোনুং অসিদা ঈশিং পুথোক-পুশিনগী থবক তৌবা অমগী মচানি। মহাক নৌনা খুঙ্গং অমদগী লাকখিবনি অদুবু জ্ঞান তাদে থৌদোক অসি মতৌ করম্না থোকখ্রিবনো হায়বদু...।"

"ৱাফম অদু হেক তাবগা মাইবা অদুনা হায়, থাগৎচরি! হৌজিক মখা তানা হায়বগী মথৌ তাদ্রে। মহাক্লা খুবি কাপ্পদুনা চিংনবা লৈতনা হায়, মসিদি ইচম চম্বা ৱানি। ঐ হৌজিক রাজকুমারগী হকচাং ফনবা হোৎনরগে।"

"মদুগী মতুংদা হান্না লৈরম্বা হীদাক পুন্নমক লংথোক্লম্মী। তাংল-তাংলবা পোৎশক, হিরা-মোতি, সনা-লুপা অমদি তোঙান-তোঙানবা পোৎশক কয়া লৌথোকখিরম্মী। মদুগী মতুংদা মাইবা অদুনা নিংথৌমচা অদুগী মমিৎতা ঈশিং থাদরদুনা হায়, হে হৌগৎলু! ঈশিং পুথোক-পুশিন তৌবগী মচা!"

"মদু হেক তাবগা রাজকুমার অদু মমিৎ পাঙথোরকই। মদুগী মতুংদা মাইবা অদুনা লম্পাক্তা চৎতুনা কৌরিল্লাগী পাম্বী খরা ফোইদৎলদুনা পুরকই। মদুবু শুগায়রদুনা রাজকুমার অদুদা পীথক্লম্মী। নুমীৎ হুম্নিগী মনুংদা কৌরিল্লা থকপদগী রাজকুমার অদু ফরে।"

ৱারী অদু প্রিন্সিপালনা ৱেদ্যজিগী মীফম অদুদা মীয়ামদা লিরম্বনি। মরুওইবা ভাবোক্লা রঙ্গনাথনা ওইরম্মী। অদুগা মরুওইবা সবজেক্টনা পঞ্চায়ট-অদালট হায়বনি। ৱারী অদুগী হৌরকফমদি জ্ঞান-মেন তাদনা লৈরিবা ফীভম অদুদগী থোরকপনি।

মহাক্লা হায়, "তারেদনা রঙ্গনাথ বাবু মসিবু কৌই কৌরিল্লা ৱায়েল। খুঙ্গংগী মীওইশিংনা ৱাফম অসিবু মুন্না খঙনরম্মি। তোঙানবা মখল অমগী মীওইনি। মহাক্লা করিবু অমুক পাম্লুখিগনি? চৎলুরো পঞ্চায়ট-কোর্টতা অদুগা কৌরিল্লা ৱায়েল ফংদুনা অমুক হনবিরকউ।"

**মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।